**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল লক্সমন প্রসদা অচারিয়ানা হায়রি- রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা অমদি চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নশি।

২) মণিপুর তম্পাক্কী মফম কয়াদা মহৈরোইশিং অমদি মীয়ামনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে। হিংশা থোরকপদগী মহৈরোই ৬০ রোম অশোক অপন নংলে।

৩) মনিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি থৌবাল জিলাদা ঙসিদগী মতম কক্তুনা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে।

৪) রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা মণিপুর সরকারনা ইন্তরনেট সার্ভিস ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ৫ নি থিংজিনখ্রে।

অমসুং

৫) মণিপুর পুলিসনা হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা মণিপুর পুলিসনা কাংলুপ নাইবা থবক তৌবা লৈতে।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল লক্সমন প্রসদা অচারিয়ানা হায়রি- রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা অমদি চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নশি।

গভর্নর সেক্রেতরিয়েটতগী থাদোকরকপা চেরোল অমদা হায়- শান্তি অমদি মীয়ামগী মতেং হায়বসিনা খুন্নাই অসিদা চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা অমত্তা ঙাইরবা লন্বীনি। ভারতপু লম কয়াদা চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা রাজ্য অসিসু য়ামা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অদুমকপু রাজ্য অসিদা হৌখিবা থা খরা অসিদা চরাংনবা ফিভম অমদি পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিনা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকার অসিনা শান্তি পুরকবা হোৎনরিবা খোঙথাং অসিদা অচৌবা চৈথেং পীরি।

রাজ্য অসিদা হন্দক খঙহৌদনা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোরক্লিবা অসিদা নুংনাংবা ফোংদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়- হিংশানা সমস্য অমত্তগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই। লৈরিবা সমস্যশিং অসি ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা মাপুম খুদিংমকা অঙম্বা মতেং পাংবা অমদি লন্বী থিমিন্নবা চংই। রাজ্যপালনা হায়- হৌজিক লৈরিবা সমস্য অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা মহাকা মীয়ামগী লুচিংবশিং, মহৈরোইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মীওই কাংলুপশিংগা লেপ্পা লৈতনা ৱারী শান্নরি।

রেল্লি (এল)ঃ থা অসিগী ১ দগী মৈতৈ মীচম মীয়াম মরক্তা দ্রোনদগী বোম থাদবা অমদি অফবা মখলগী খুৎলায় শিজিন্নদুনা মীহাৎ চথ্বরকপবু য়ানিংদবা ফোংদুনা ঙসিসু মণিপুর তম্পাক্কী মফম কয়াদা মহৈরোইশিং অমদি মীয়ামনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে। হিংশা থোরকপদগী মহৈরোই ৬০ রোম অশোক অপন নংলে।

ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মশিং য়াম্লবা মহৈরোইশিং অমদি মীয়ামা রাজ্যপালদা ঙরাং তানখিবা দাবীশিংগী পাউখুম পীননবা দাবী তৌরদুনা রাজ ভবন তমা খোঙচৎ চৎনবা হোৎনখি। মদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মুকবা থোকখি। তিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপ্তুনা খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিং অমদি মীয়াম তাম্থোকবা হোৎনখি।

কাঞ্চিপুরদা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদগীসু মশিং য়াম্লবা মহৈরোইশিং রাজ ভবন তমা থোমজিন্নবা হোৎনখি। ককৱাদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খোঙজং

চংশিল্লিবশিং থিংখি। মদুদা মুকবা থোরকপদগা সেক্যুরিতি ফোর্সনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপ্পুনা মীয়াম তানখায়নবা হোৎনখি। থৌদোকশিং অসিদা মহৈরোই কয়া অশোক অপন নংবদগী ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিতালশিংদা লায়কন্নখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা স্কুলশিং অমদি কলেজশিংগী মহৈরোইশিংসু ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখি। মহৈরোইশিংনা মোইরাং মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদগী ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎলবা মতুং এম.এল.এ- থোঙাম শান্তিগী য়ুমদা থোমজিনখি। মহৈরোইশিংনা এম.এল.এদা হৌজিক লৈরিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা দাবী তৌখি। এম.এল.এ শান্তিনা হায়- হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ফিভম অসি ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা থেংনগদবা মতমনি। ঐখোয়না অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক তৌমিন্নরবা মতমদা মণিপুরবু কনানসু থুগাইবা ঙমলোই।

কার্ফিয়ু (এল)ঃ মনিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী মতম কক্তুনা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা তোঙান তোঙানননা থোকখিবা ওর্দরশিংদা হায়- হান্নদগী লৈরকপা কার্ফিয়ু অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাং পুং ১০ ফাওবা কোমথোক্লম্বা অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী কোমথোক্লরোই। হায়রিবা ওর্দর অসি মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎনগনি। অদুমওইনমক, কার্ফিয়ু লৈরিঙৈ মনুংদা ইসেন্সিএল সার্ভিসশিং, হেলথ, পি.ঐচ.ই.দি, ম্যুনিসিপালিতিগী ওফিসিএল অমসুং ষ্টাফশিং, পৱার (এম.এস.পি.সি.এল) অমসুং এম.এস.পি.দি.সি.এল, পেট্রোল পম্প, কোর্ট, ফ্লাইট পেসেঞ্জরশিং অমসুং মেদিয়াগী মীওইশিংদদি অথিংবা লৈরোই হায়রি।

থৌবাল জিলাদসু ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ দগী মতম কক্তুনা করফিউ থমজিনখ্রে।

ইন্তরনেট (এল)ঃ  রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা মণিপুর সরকারনা ইন্তরনেট সার্ভিস ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ৫ নি থিংজিনখ্রে। রাজ্য সরকারগী হোম বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীওই কয়ানা সোসিয়েল মিদিয়াদা অরানবা পাউশিং শন্দোক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি অমদি লন থুম অমাং অতা থোকহল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবনা ইন্তরনেট সার্ভিস অসি থিংবনি। অথিংবা অসি থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা লৈগনি।

ছুতি (এল)ঃ  রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা সরকারনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈলোইশঙ মখা তানা নুমিৎ নিনি ছুতি থাদোকখ্রে।

মণিপুর সরকারগী ইজ্‌কেসন (এস) দাইরেক্তোরেটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- সরকারগী স্কুলশিং, গভর্নমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ত্রেল স্কুল পুমমক হয়েং অমসুং হংচিৎ ছুতি ওইরগনি।

রাজ্য সরকারগী হায়র এন্দ টেকিকেল ইজ্‌কেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা রাজ্য অসিদা মহৈলোইশঙশিং এদেদ, সরকারগী অমদি লন্নাই কলেজশিং হয়েং অমসুং হংচিৎ ছুতি ওইগনি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ক্লাসশিংসু হয়েং অমসুং হচিৎ তৌররোই। অদুমওইনমক, য়ুনিভর্সিতিগী অতোপ্পা থবক থৌরমশিংদি পাঙথোক্কনি হায়না রেজিষ্ট্রারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মখাদা পাঙথোক্লিবা অন্দর গ্রেজ্‌য়েট অমসুং পোষ্ট গ্রেজ্‌য়েটকী পরিক্ষাশিং মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়রি। পরিক্ষাগী অনৌবা মতম কোন্না লেপ্পগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগ কোন্ত্রোল্লর ওফ একজামিনেসন ইনচার্জনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ তেরিতোরিয়েল আর্মিগী ১০৭ শুবা ইনফেন্টরি বত্তাল্লিয়ন অমসুং ১৯ শুবা গুরখা রাইফলস অনিনা খুৎশমরগা নোনে জিলাগী অৱাং খুলদা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল মেগা রেলৱে প্রোজেক্ট, রেলৱেগী ওফিসিয়েলশিং অমদি খুঞ্জাশিংবু নিংথিনা ঙাক শেনদুনা থমবগী মতাংদা খন্নখি। পনবা য়াই, রেলৱেগী থবক থৌরম অয়েৎ অপন য়াওদনা পায়খৎপা য়ানবা গোরখা তেরিয়রস হান্ননা মফমশিং অসিদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবনি।

সুইসাইদ (এল)ঃ ঙসি অসি ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডেনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্টকী মখাদা পি.ঐচ.সি খোংহামপাৎ, য়ু.পি.ঐচ.সি লাঙ্গোল তরুং অমদি অরবান হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্তর হাওবম মরকনা শিন্দুনা খোংহাপাৎ খুনৌদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোকশিং করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। নুমিৎ অসি কম্যুনিতি হেলথ সেন্তর ৱাংগোইনসু শিন্দুনা শমুরৌ ময়াই লৈকাইদা লৈবা রেবেনন রিহেবিলিটেসন সেন্তরদসু পাঙথোকখি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা মণিপুর পুলিসনা কাংলুপ নাইবা থবক তৌবা লৈতে।

ইম্ফালগী পুলিস হেদক্বাটরসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মণিপুর পুলিসকী আই.জি.পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) কে. জয়েন্তকুমারনা হায়- অসাম রাইফলসকী হান্নগী দি.জি. ওইরম্বা লেফটনেন্ট জেনেরেল পি.সি. নয়ারনা মিদিয়াদা মণিপুর পুলিসপু কাংলুপ ফুরুপ নাইবা মওংদা থবক তৌবা ফোর্স ওইনা উহনখিবগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মহাকা হায়- মণিপুর পুলিস অসিদা মৈতৈ, কুকি, নাগা অমদি মীতৈ পাঙলশিং য়াওরি। মীতৈগী পুলিস, কুকিগী পুলিস হায়বা লৈতে। মণিপুর পুলিসনা অমত্তা ওইনা হৌজিক লৈরিবা ইরাং অসিদা থবক তৌরি। অচৌবা আর্মদ ফোর্স অমদা থবক তৌরম্বা দাইত্ব লৈরবা ওফিসার অমনা অসিগুম্বা ৱাফম ফোংদোরকপা অসি

য়ানিংদে। কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন বোম অমদি রোকেটনচিংবা শিজিন্নখিবা লৈতে হায়না হান্নগী অসাম রাইফলস দি.জি অসিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা আই.জি.পি জয়েন্তকুমারনা হায়- কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম পোকখায়হনবা, অফবা মখলগী খুৎলায়শিং শিজিন্নবগী প্রমান লৈ। মখোয়না শিজিন্নরিবা দ্রোন অমদি রোকেট বোমগী মমৈনচিংবা পুলিসনা ফংবা ঙমখ্রে।

মহাকা মখা তানা হায়- হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি লুরে। ফিভম অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন থুম ঙাকপা অসি তঙাইফদবা অমনি। অদুমকপু খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা মীয়াম ঙাক্লদবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিং অমদি মীয়াম থেংনদুনা লৈরে। মমা মপা ওইরিবশিং অমদি অহল লমনশিংনা খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংগী পুকিং ফাথবীনবা হোৎনবীয়ু।

অমরোমদা, ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমসুং ইদিটরস গিল্ডস মণিপুরনা অসাম রাইফলসকী হান্নগী দি.জি. লেফটনেন্ট জেনেরেল পি.সি. নায়রনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা মিদিয়াশিংনা অচুম্বা রিপোর্ট তৌদে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। হান্নগী দি.জি অসিনা নেসনেল মিদিয়াদা ৱা ঙাংবা মতমদা নাকল নাম্মা খক্তদগা পাউ লৌবগী মহুৎতা লমদমসিদা লৈরিবা মীয়াম অমদি লোকেল মিদিয়াদগীসু পাউ লৌরগা ৱা ঙাংনবা আপীল তৌরক্লি।

কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)নসু অসাম রাইফলসকী হান্নগী দি.জিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

গাড়ি ঃ রোদ ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা হৌজিক ইলেক্ত্রিক ভেহিকল মশিং য়ামা য়োনবা ঙমলে। লাক্কদৌরিবা ইং ২০৩০ দগীদি চহি অমদা ইলেক্ত্রিক ভেহিকল কোতি অমমম য়োনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। ইলেক্ত্রিক ভেহিকলগী ইহৌ অসি

লাকপনা মীওই কোতি ৫ রোম থবক পীবা ঙম্লগনি হায়না পারি।

নিউ দিল্লিদা সোসাইতি ওফ ইন্দিয়ান ওতোনোমি মেন্যুফেকচররসকী ৬৪ সুবা চহিগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গদকারিনা হায়- হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা ইলেক্ত্রিক ভেহিকল লাখ ৩০ হেন্না রেজিষ্টর তৌরে। মহাকা হায়- চাকা মরি পানবা ইলেক্ত্রিক ভেহিকল য়োনবগী চাং হৌজিক হৌজিক চাদা ৪৫ ওইরি অদুগা চাকা অনি পানবা ইলেক্ত্রিক ভেহিকল য়োনবগী চাংনা চাদা ৫৬ তা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা ষ্টার্টঅপ ৪০০ না চাকা অনি পানবা ইলেক্ত্রিক ভেকিহল শাবগী থবক খুমাং য়াংনা চংশিল্লি। মহাকা হায়- ওতোমোবিল ইন্দষ্ট্রিশিংনা অরিবা গাড়িশিং স্ক্রেপ তৌদুনা মাংহন্নবা থৌশিল অমা পুথোকবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবা মতম হেল্লবা গাড়ি কোতি ৩ লৈরি। মসিবু চপখায়দুনা মাংহন্নবা মতিক চাবা মফম লৈত্রি।

ওতোমোবিল ঃ হেভি ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি ঐচ.দি. কুমারাস্বামিনা হায়রি- ইন্দিয়ান ওতো মোবিল ইন্দষ্ট্রিজ অসি লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী খুমাং য়াংনা চাওখৎলক্লিবা ইন্দষ্ট্রিজ অমা ওইরক্লি। ইন্দষ্ট্রিজ অসিনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা চাদা ৬.৮ মতেং পাংলি। লৈবাক অসি মালেমগী ওতো মোবিল হব অমা ওইনবা চংশিল্লক্লি। ওতো মোবিল ইন্দষ্ট্রিজবু হেন্না খুমাং চাওশিনবা ইন্দষ্ট্রিজ অমা ওইনবা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং থল্লি।

বেঙ্গল ঃ নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রি মমাতা বেনর্জিনা রাজ্য ভবনগা পাউ ফাওনদ্না রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিং ভারত সংবিধানগী আর্তিকল ১৬৭ ক্লোস-সিগী মখাদা খঙহল্লক্কদবনি হায়না রাজ্যপাল ডাঃ সি.ভি. আনন্দ ঘোসনা মুখ্য মন্ত্রিদা খঙহনখ্রে।

রাজ্যপালগী ওফিসতগী ফংবা পাউনা হায়- মন্ত্রি মন্দলগী ৱারেপ অদু রাজ্যপালদা খঙহনবা হায়বসি সংবিধানগী আর্তিকল ১৬৭ না অয়াবা পীরি। মসিনা রাজ্য অদুগী লৈঙাক সাসনদা হেন্না খুদোংচাহনগনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

কমিতিঃ সংবিধানগী তরুক শুবা সেদ্যুল শেমদোকপগী মতাংদা য়েংশিন্নবা কেন্দ্রনা শেমখিবা কমিতিগী অহানবা মীফম মথং চয়োলদা পাঙথোক্লবা য়াই। ৱাফম অসি কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-নিত্যানন্দা রাইনা হন্দক্তা ন্যু দিল্লিদা মহাক্না উন্নখিবা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল তরাগী মহুৎ কাংবু অমদা খঙহল্লকপনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রিনা হায়-ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল তরা অদুদগী মখোয়গী মোত অমসুং তৌহন্নিংবা ৱাফম কয়া কেন্দ্রদা পীরক্লে। খাসি হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চীফ ইগজ্‌কিটিব মেম্বর-পি.এস. সিয়েমনা হায়-কমিতি অদুনা তরুকশুবা সেদ্যুলগী মখাদা ওটোনোমস কাউন্সিলশিংদা শেল থুম, ইগজ্‌কিটিব অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব পৱার হেন্না পীনবা বিল পন্থদুনা থল্লিবা অদু কোকহন্নবা হোৎনরবা য়াই।

মোদিঃ পদ্মা এৱার্ডকীদমক ফংবা য়াবা মীওইশিং মশিং হেন্না নোমিনেট তৌরকবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি। নোমিনেসন পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ১৫ নি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা নোমিনেসন কয়ামরুম ফংবা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা সরকারনা খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তগী ফাওবা মীয়ামগী থবক তৌরিবা মীওই কয়া সরকারনা পদ্মা এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমখ্রে।

------